**বেঙ্ক’স মেদিকেল কন্সল্টেন্ট (বি এম সী) পুংগী অকক্পবা রিম্যুনরেসনগা লোয়ননা কন্ট্রেক্ট বেসিসতা লৌরগনি।**

রিজার্ভ বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়াগী লিলাশিং খোঙনাংখোং ওপোজিট মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লি, ইম্ফাল-৭৯৫০০১দা লৈবা ওফিসকী দিস্পেন্সরিগীদমক পুংগী অকক্পবা রিম্যুনরেসনগা লোয়ননা কন্ট্রেক্ট বেসিসতা বেঙ্ক’স মেদিকেল কন্সল্টেন্ট (বি এম সী)গী ফম (অনরিজার্ভ) অমা মেনশিন্নবগীদমক্তা মতিক চাবা কেন্দিদেন্টশিংদগী এপ্লিকেসনশিং কৌজরি। এপ্লিকেসনশিং অদু জেনরেল মেনেজর এন্দ ও-আই-সী, রিজার্ভ বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়া, লিলাশিং খোনাংখোং, ওপোজিট মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লি, ইম্ফাল-৭৯৫০০১ দা জন্যুৱারি ১৪, ২০২০দা নৎত্রগা মমাংদা ৫.০০ পি এম ফাওবগী মনুংদা য়ৌহল্লক্কদবনি।

i) এপ্লিকান্টশিং এলোপেথিক সিষ্টেম ওফ মেদিসিনদা মেদিকেল কাউন্সিল ওফ ইন্দিয়ানা শকখঙবা য়ুনিভর্সিটি অমগী এম বি বি এস দিগ্রি পায়গদবনি।
ii) জেনরেল মেদিসিন্দা পোষ্ট গ্রেজ্যুএট দিগ্রি পায়বা এপ্লিকান্টশিংনসু এপ্লাই তৌবা য়াগনি।
iii) এপ্লিকান্টশিং হোস্পিটাল অমদা থবক তৌবগী নৎত্রগা মেদিকেল প্রক্টিস্নর ওইনা য়ামদ্রবদা চহী ২ (অনী)গী এক্সপিরিয়ন্স লৈগদবনি।
iv) এপ্লিকান্টশিং মশাগী দিস্পেন্সরি নৎত্রগা ময়ুম ইম্ফালদা লৈবা বেঙ্ক অসিগী দিস্পেন্সরিদগী কিলোমিটর ১০-১৫ গী মনুংদা লৈবা ওইগদবনি।
v) কন্ট্রেক্ট বেসিসকী মেদিকেল কন্সল্টেন্ট অসিগী রিম্যুনরেসন থাঙ্গৈশেংনা দ্যুটি তৌরিবা পুংশিংশিংগা চান্ননা ফিক্স তৌগনি অমসুং লোইনমক ইনক্লুসিভ ওইগনি।
vi) এনগেজমেন্টকী কন্টেক্ট অসি চহী অহুমগী মতমগীনি।
vii) রিম্যুনরেসনগী রেট অমসুং দ্যুটিগী পুংশিংশিং মখাগী টেবল অসিদা পীরি :-

| লোকেসন | টেন্টেটিভ ৱর্কিং অৱার্স | রিম্যুনরেসন |
|---|---|---|
| রিজার্ভ বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়া লিলাশিং খোংনাংখোং ওপোজিট মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লি, ইম্ফাল-৭৯৫০০১ | ২.০০ পি এম - ৩.০০ পি এম (নিংথৌকাবা - ইরাই) | কন্ট্রেক্টকী মতম পুন্বগী ওইবা পুংদা ₹৮৫০/-<br>থাদা লুপা ₹ ১,০০০/-গী চাংদা মোবাইল চার্জশিংগী রিইম্বর্সমেন্ট |

viii) রিজার্ভ বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়ানা মসিগী এদমিনিষ্ট্রেটিভ অমসুং ওপরেসনগী তঙাইফদবশিংগা চান্ননা মতম-মতমগী ওইনা রিম্যুনরেসনগী রেট রিভিয়ু তৌবা, দ্যুটিগী মতম অমসুং দিস্পেন্সরিগী মফম হোংবা য়াই।
ix) অপান্বা অমসুং মতিক চাবা কেন্দিদেন্টশিংনা (i) আর বি আইগী ৱেবসাইট (www.rbi.org.in) তগী দাউনলোদ তৌবা য়াবা নৎত্রগা (ii) আর বি আই, ইম্ফালদগী থবক তৌবা নুমিৎ খুদিংমক্তা ১০ এ এমদগী ৫ পি এমগী মরক্তা জন্যুৱারি ১৩, ২০২০ নৎত্রগা (iii) oicimphal@ribi.org.in সিদা ঈমেল তৌরগা আর বি আই ইম্ফালদগী ফংবা য়াবা প্রিস্ক্রাইব ফোর্মেটতা এপ্লাই তৌবা য়াগনি। এপ্লিকেসন অদু মখাগী ৱাহৈশিংসি থাবা কভর অমদা হাপ্লগা সবমিট তৌগদবনি

**‘এপ্লিকেসন ফোর দ পোষ্ট ওপ মেদিকেল কন্সল্টেন্ট ওন কন্ট্রেক্ট বেসিস’**

**সেলেক্সন প্রোসিজর :-**

x) রিজার্ভ বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়া, ইম্ফালনা পুংগী অকক্পবা রিম্যুনরেসনগা লোয়ননা কন্ট্রেক্ট বেসিসতা বেঙ্ক মেদিকেল কন্সল্টেন্ট (বি এম সী) (কেটগরি : অনরিজার্ভ) অমা খনবগী ইন্টরভিয়ু কন্দক্ট তৌগনি। ইন্টরভিয়ু অদু জন্যুৱারি ২৮, ২০২০ দা পাঙথোক্কনি।
xi) মতিক চাবা কেন্দিদেন্টশিং ইন্টরভিয়ু তৌরগা সেলেক্সন তৌগনি। ইন্টরভিয়ু য়াওনবগীদমক্তা কৌগদৌরিবা কেন্দিদেন্টশিংগী মশিংদা পনখৈ অমা লৈহন্নবগীদমক্তা বেঙ্ক অসিনা মিনিমম ঈলিজিবিটি ষ্টেন্দার্দ হেনগৎপনচিংবা তৌবা য়াই। হীরম অসিগী মতাংদা বেঙ্ক অসিনা লৌবা ৱারেপ্না অরোইবা ওইগনি। ইন্টরভিয়ু য়াওননবা কৌরকখিদ্রবা এপ্লিকান্টশিংগী করেসপোন্দেন্স অমত্তা বেঙ্কনা লৌরোই।
xii) ইন্টরভিয়ু মতুংদা সোর্টলিষ্ট তৌবা এপ্লিকান্ট অদু বেঙ্ক মেদিকেল কন্সল্টেন্ট ওইনা এনগেজ তৌদ্রিঙৈদা প্রিস্কাইব নোর্মশিংগী মতুং ইন্না মেদিকেল চাংয়েংশিং মায়োক্নগনি। মেদিকেল চাংয়েংশিংগী অচঙমন এপ্লিকান্টনা পুথোকচগদবনি।
xiii) ফম অসিগীদমক্তা খল্লবা নুপা নৎত্রগা নুপী কেন্দিদেট অদু মেদিকেল্লি ফিট ওইরম্বগী মতুং ইন্না অমসুং বেঙ্ক অসিনা পীরিবা টর্মস এন্দ কন্দিসন্স অমসুং কোদ ওফ কন্দক্ট য়াবগী মতুং ইন্না এপোইন্টমেন্ট পীগনি।
xiv) খল্লবা এপ্লিকান্ট অদু পুংগী ওইবা অকক্পবা রিম্যুনরেসনগা লোয়ননা (কন্ট্রেক্ট বেসিসতা) বেঙ্ক মেদিকেল কন্সল্টেন্ট ওইনা এনগেজ তৌদ্রিঙৈগী মমাংদা বেঙ্ক অসিগা কন্ট্রেক্টকী এগ্রীমেন্ট অমা খুৎয়েক পীনগদবনি।